# ন্যু জিলেন্দনা ইংলেন্দবু ৱিকেট ৫দা থোইদুনা টি-২০ ৱর্ল্দ কপকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে






অবুধাবী, নবেম্বর ১০ (এজেন্সী): য়ু এ ঈগী কোনুং অবু ধাবীদা ঙসি শান্নবা আই সী সী মেন্স টি-২০ ৱর্ল্দ কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২১গী অহানবা সেমীফাইনেলদা ন্যু জিলেন্দনা ইংলেন্দবু ৱিকেট ৫দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা অহানবা টিম ওইখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদুগী টোস ন্যু জিলেন্দনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা ইংলেন্দনা মখোয়গী ইন্নিংস অদুদা অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৪ আউট ওইরগা রন ১৬৬ লৌখি। ইংলেন্দগী মায়কৈদগী ৱিকেট কিপর জোস বটলর অমসুং জোনি বার্ষ্টোনা ইন্নিংস অদু হৌদোরকখি। মখোয় অনীনা ওভর ৫দা রন ৩৭ লৌদুনা টিম অদুনা ওভর ১দা রন ৭কী চাংদা লৈহন্দুনা ফজবা ঙমখি। অদুবু ৬শুবা ওভরগী অহানবা বোলদা ওপনর জেনি বার্ষ্টো রন ১৩ লৌরম্লগা আউট ওইখি। মহাক্না বোল ১৭ মায়োক্নবদা ফোর ২ য়ৈরমখি। মহাকপু ন্যু জিলেন্দগী বোলর মিলনেনা লংলকপা বোলদা ৱিলিয়মসননা ওকপদগী আউট ওইখিবনি। বার্ষ্টোগী মহুৎ মালাননা শিল্লকখি। মালান অমদি বটলরনা মখা তাবা অনীশুবা ৱিকেট পার্টনরশিপতা রন ১৬ হাপচিনবদা ঙাইরিঙৈ অপূনবা স্কোর ৫৩ শুরকপদা জোস বটলর আউট ওইখি। মহাক ন্যু জিলেন্দগী বোলর সোধিনা আউট তাহনখি। বটলরনা বোল ২৪দা ফোর ৪ য়ৈরগা পূন্না রন ২৯ লৌরমখি। মহাক্কী মহুৎ মোইন অলিনা শান্নবা চঙলকখি। মালান অমদি মোইন অলিনা য়াম্না ফজবা মওংদা অহুমশুবা ৱিকেট পার্টনরশিপকীদমক রন ৬৩ হাপচিন্দুনা টিম অদুগী অপূনবা স্কোর ১১৬ য়ৌহল্লকখি। মালান বোল ৩০ মায়োক্নবদা সিক্স ১গা ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৪১ লৌরগা সাউথিনা আউট তাহনখি। ৫শুবা বেটসমেন লিভিংষ্টোন শান্নবা চঙলকপদা কুইনা লৈবা ঙমখিদে। বোল ১০দা সিক্স ১গা ফোর ১গা য়ৈরম্লগা রন ১৭তা আউট ওইখি। মতম অদুদা ইংলেন্দগী অপূনবা স্কোর ১৫৬ লৈখি। লেমহৌবা বোল ৪দা ইংলেন্দনা রন ১০ হাপচিল্লগা অপূনবা স্কোর ১৬৬ য়ৌখিবনি। মোইন অলি আউট ওইদনা বোল ৩৭ শান্নখিবদা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৩ য়ৈরম্লগা রন ৫১দা লৈখি।

মায় পাক্কনবা ন্যু জিলেন্দনা রন ১৬৭ লৌনবা হোৎনরকপদা টিম অদুগী ওপনর মার্টিন গুপটিল অহানবা ওভরগী ৩শুবা বোলদা রন ৪ লৌরম্লগা আউট ওইখি। কেন ৱিলিয়মসু ক্রিজদা কুইনা লৈবা ঙমখিদে। রন ৫দা আউট ওইখি। দেবোন কোনভেনা মহুৎ শিন্দুনা দারিল মিচেলগা শান্নরকপদা অহুমশুবা ৱিকেট পার্টনরশিপকীদমক রন ৮২ হাপচিন্দুনা ন্যু জিলেন্দবু ফজ হনখি। অদুবু দেবোন বোল ৩৮দা রন ৪৬ লৌরম্লগা আউট ওইখি। মখা তাবা বেটসমেন অনী থংন-থংননা আউট ওইশিল্লকপদগী ন্যু জিলেন্দ ফীভম শোকখি। অদুবু ওপনর দারিল মিচেলনা আউট ওইদনা বোল ৪৭তা সিক্স ৪ অমসুং ফোর ৪ য়ৈদুনা রন ৭২ লৌখিবা অমদি নিশামনা বোল ১১দা রন ২৭ লৌরম্বা অদুনা মায় পাকপগী রন ১৬৭ অদু ইন্নিংসকী ১৯শুবা ওভরদা লৌরগা ৱিকেট ৫দা থোইখি।

# মনু ভাকর গোল্ড মেদল ২ শুখ্রে, রহি সিলভর ফংখ্রে





রোক্লো, নবেম্বর ১০ (এজেন্সী): পোলেন্দগী রোক্লোদা পাঙথোকপা ইন্টরনেসনল শুটিং ফেদরেসন প্রসিদেন্টস কপকী ঙরাং অথেংবদা ইন্দিয়াগী শুটর মনু ভাকরনা গোল্ড মেদল অমগা হাপ্লগা মহাক্কী ওইনা অনী শুবা ঙমখ্রে। অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শুটর রহি সর্নোবটসু সিলভর অমা ফংবা ঙমখ্রে।

মনু ভাকরনা ঙরাং প্রসিদেন্টস কপকী অরোইবা নুমীৎতা মিটর ২৫গী রেপিদ ফায়র পিষ্টোল মিক্স টিম কম্পিটিসনদা টর্কিগী শুটর ওজগুর ভার্লিককা প্যের ওইরগা গোল্ড মেদল অদু ফংখিবনি। পনবা য়াই মনু ভাকরনা অহানবা গোল্ড মেদল অদুসু মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল মিক্স টিমদা ইরানগী শুটর জবাদ ফোরোগিগা পার্টনর ওইরগা ফংখিবনি।

মনু ভাকর অমসুং টর্কিগী ভার্লিকনা মিটর ২৫গী রেপিদ ফায়র পিষ্টোল মিক্স টিম ইভেন্টতা চাইনা অমসুং ইষ্টোনিয়াগী প্যের জিয়াও অমদি পিটর ওলেক্সপু পোইন্ট ৯-৭তা হেন্দুনা গোল্ড মেদল ফংখিবনি।

ফাইনেল রাউন্দ অদুগী হৌরকপদা ইন্দিয়া অমসুং টর্কিগী প্যের অদুনা পোইন্ট ৬-২দা মাঙজিল থারগা চৎখি। অদুবু চাইনা অমসুং ইষ্টোনিয়াগী প্যের অদুনা য়াম্না কন্না হোৎনরক্তুনা পোইন্ট ৬-৬ ফাওবা মান্নখি। মখা তারকপদা মনু ভাকর অমসুং ওজগুরনা পোইন্ট ২ হেল্লগা ৮-৬তা লৈখিবদগী লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়া অমসুং টর্কিগী প্যের অদুনা পোইন্ট ১ অদুগা চাইনা অমসুং ইষ্টোনিয়াগী প্যের অদুনসু পোইন্ট ১ ফংবা ঙমখিবদগী ৯-৭তা থোইবা ঙমখিবনি।

ঙরাং লোইশিনবা নুমীৎতা রহি সর্নোবটনা নুপীগী মিটর ২৫গী পিষ্টোলদা জর্মনিগী শুটর দোরিন ভিনিকেমগা লম্বা তৌনখি। শুটর অনীগী লম্বা অদুদা সেরিজ ১০কাপ্পবদা জর্মনিগী শুটর দোরিননা পোইন্ট ৩৩ ফংখিবদা ইন্দিয়াগী রহি সর্নোবটনা পোইন্ট ৩১ ফংলগা সিলভর ফংহৌবনি। ইন্দিয়ানা পূন্না গোল্ড ২, সিলভর ২ অমসুং ব্রোঞ্জ ১ ফংলগা মেদল ৫ শুবা ঙমখি।

## মোদিনা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে

ন্যু দেল্লী, নবেম্বর ১০ (এজেন্সী): সর্ভিয়াদা পাঙথোকপা চহী ২৩ মখাগী ৱর্ল্দ রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপতা মেদল ফংলকখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপী রেষ্টলরশিংবু লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবা নরেন্দ্র মোদিনা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী সিবানি পাৱরনা কেজি ৫০গী কেটগোরিদা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখি। লোয়ননা কিলোগ্রাম ৫৫গীদা অঞ্জু ব্রোঞ্জ ফংখি। লোয়ননা কিলোগ্রাম ৬২গীদা দিভিয়া কাকর্নসু ব্রোঞ্জ ফংখি। অদুগা কিলোগ্রাম ৬৫ অমসুং ৭২গী কেটগোরিদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা রেষ্টলর অনী রাধিকা অমসুং নিশা দহিয়াসু ব্রোঞ্জ অমমম্ লৌবা ঙমখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা ত্বিট তৌরকখিবা ৱারোলদা রেষ্টলর মঙানা ৱর্ল্দ চেম্পিয়নশিপ অদুদা মেদল ফংলকপদা থাগৎপা ফোঙদোকখি। লোয়ননা মখোয়গী ফজবা পর্ফোর্মেন্স অদুনা রেষ্টলিং মশান্না অসি ইন্দিয়াদা হেন্না পাম্নবা মশান্না অমা ওইহনবদা অচৌবা মতেং ওইরগনি হায়খি। মমাংদা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী রেষ্টলরশিংনা ফজবা ঙমখিবা অদুগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখ্রবনি। চেম্পিয়নশিপ অদুদা সর্ভিয়ানা মেদল ৫ ফংলগা মকোক ওইখি।

## ইন্দিয়াগী টিটি শান্নরোয় স্রিজা, দিয়া অমসুং স্বাস্টিকা মায় পাকখ্রে

লাস্কো, নবেম্বর ১০ (এজেন্সী): স্লোভেনিয়াগী লাস্কোদা পাঙথোকপা ৱর্ল্দ টেবল টেন্নিস কন্টেন্দর ইভেন্টকী ক্বালিফায়িং রাউন্দদা স্রিজা অকুলা, দিয়া পরাগ সিতালে অমসুং স্বাস্টিকা ঘোশ ক্বালিফায়িং রাউন্দগী ২শুবা মেটচশিং থোইদুনা ম্যেন দ্রো য়ৌনবা রাউন্দ অমত্তা ঙাইশিল্লক্লে।

ঙরাং স্রিজানা সিঙ্গাপোরগী ৱোং জিন রুবু গেম ৩-১ (১৫-১৭, ১১-৮, ১১-৭, ১১-৯)দা থোইখি। দিয়ানা রসিয়াগী ভেলেরিয়াবু ৩-০ (১১-৭, ১১-৮, ১৪-১২)দা থোইখি। অদুগা স্বাস্টিকানা স্বিদেনগী ফিলিপা বর্গানবু ৩-২ (১২-১০, ৮-১১, ১১-৫, ৮-১১, ১১-৯)দা মায়থীবা পীখিবনি। অহুমশুবা রাউন্দদা স্রিজা অমসুং দিয়া লম্বা তৌনগদৌরি। মরম অদুনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অমদি শোয়দনা ক্বালিফায়িং রাউন্দ য়ৌরগনি। অদুবু মমাংদা পাঙথোকপা ইভেন্ট অমদা দবলসকী টাইটল লৌখিবী অর্চনা কমাথ ক্রোএসিয়াগী ইভানাগী মখূৎতা মায়থীহৌখি।

## ৱুশু শান্নরোয়শিং ওক্কদৌরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচ এন এস): ইরৈপাক ইরমদমগী শান্নরোয়শিং পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা চৎলিবা থা অসিগী ১২গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা ইন্টরনেসনল পিছ এন্দ সোসল এদভান্সমেন্ট (ইপসা)না ৱুশু শান্নরোয়শিং ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা চহীদা ৱুশু এসোসিএসন চান্দিগরনা শীন্দুনা সেপ্টেম্বর ১৫দগী ২০ ফাওবা পাঙথোকখিবা ১৮লক শুবা জুনিয়র নেসনল ৱুশু চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরগী টিমনা অতোপ্পা অচৌ-অচৌবা ষ্টেটশিংগী টিমবু মায়থীবা পীদুনা টিম চেম্পিয়ন ফংলকখিবদা ইপসানা শান্নরোয়শিংবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা কুমজা ২০১৯গী সেপ্টেম্বর ১৯দা শান্নরোয়শিং ওকখিবগী খূদুং ইন্দুনা চত্থরকপা ওইনা হন্দকসু ইপসাগী মীৎয়েং মখাদা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা ৱুশু ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীহুৎ ফাওবা থাবীরক্তুনা সেপ্টেম্বর ২৫ অমসুং ২৬তা পাঙথোকখি। মদুগী মতুং পঞ্জাবকী জলনধরদা লৈবা লভলি প্রোফেসনেল য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোকখিবা ২০লকশুবা জুনিয়র নেসনল ৱুশু চেম্পিয়নশিপ অদু চহী অসিগী ওক্টোবর ২০দগী ২৫ ফাওবা পাঙথোকখিবনি। মদুদা মণিপুরগী টাওলৌ টিমনা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন ওইরকপা অমদি সান্সু টিমনা রন্নর্স অপ তারক্তুনা অপূনবগী ওইনা মণিপুরনা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন ফংলকখিবা অসিবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা লাক্লিবা থা অসিগী ১২গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক্তা লৈবা ইন্দোর হোল (ৱুশু ট্রেনিং সেন্টর)দা ইপসানা শান্নরোয়শিংবু ওকচবগী থৌরম অসিদা চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়ারুরবা ৱুশু শান্নরোয়শিং, ওফিসল অমদি শান্নরোয়শিংগী গাজিয়ানশিং পুম্নমক্না শরুক য়াবীয়ু হায়না ইন্টরনেসনল পিছ এন্দ সোসল এদভান্সমেন্টকী মায়কৈদগী এসিষ্টেন্ট আই পি আর ওইরিবা থোই ওক্রমনা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, ৱুশু মশান্না অসি মণিপুরগী শান্নরোয়শিংগা য়াম্না চুশিন্নবা মরম্না মশান্না অসিগী লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা ইভেন্টশিংদা মণিপুরনা মাঙজিল থাখিবনি। অতোপ্পা মফমদসু পাম্নবা হৌরক্লি।

## মিনি বোইজগীদা পি য়ু সী (এ) অমসুং এস দব্লিয়ু সী হিয়াংলম মখোয়-মখোয়গী মেটচ ৬/৬ মায় পাকপা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর সেপাক টাক্রো এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা ইবুধৌ মার্জিং হনজিং লৈকাই ইনফোর্মেসন কলচরেল এন্দ সোসল ৱেলফ্যের লাইব্রেরি য়ুনাইটেদনা শীন্দুনা ২০শুবা মিনি, ২২শুবা সব-জুনিয়র, ২২শুবা জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস অমসুং ৩৫শুবা সিনিয়র মেন্স এন্দ ৱিমেন্স ষ্টেট লেভেল সেপাক টাক্রো চেম্পিয়নশিপ ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা মিনি বোইজকী কাঙলূপ্তা পি য়ু সী (এ) কাইরং অমসুং এস দব্লিয়ু সী হিয়াংলম্না শান্নখিবা মেটচশিংদা মেটচ ৬/৬ মায় পাকপা ঙমখ্রে।




পি য়ু সী (এ) কাইরংনা অহানবা মেটচ অদু পি য়ু সী (বি)বু ষ্ট্রেট সেট ২দা ২১-৯, ২১-৮দা থোইখি। অনীশুবা মেটচ অদুনা মখোয়না টুর্নামেন্ট অসিগী য়ূম্বু ওইরিবা আইএম এসয়ুসী (বি) হৈঙাংবু ২১-৫, ২১-৯দা থোইখি। অহুমশুবা গেমদনা মখোয়না ঐচ য়ু দি আই সী হৈঙাংবু ২১-১৫, ২১-৮দা থোইখি। ৪শুবা মেটচতা মখোয়না পি য়ু সী (সী)বু ২১-১০, ২১-৩দা মায়থীবা পীরগা ৫শুবা মেটচতনা আই এম এস য়ু সী (সী)বু ২১-৬, ২১-৭তা থোইখি। অদুগা ৬শুবা মেটচতা মখোয়না আই এম এস য়ু সী (এ) হৈঙাংবু ২১-১৯, ২১-১৪দা থোইবা ঙমখি।

অমরোমদা এস দব্লিয়ু সী হিয়াংলমসু মখোয়গী মেটচ ৬মক থোইখি। অহানবা মেটচতা মখোয়না ঐচ য়ু দি আই সী হৈঙাংবু ২১-১৯, ১৮-২১, ২১-৯দা থোইবা ঙমখি। অনীশুবা মেটচতা মখোয়না পি য়ু সী (বি) কাইরংবু ২১-১০, ২১-১০দা থোইবা ঙমখি। অহুমশুবা মেটচতা এস দব্লিয়ু সীনা আই এম এস য়ু সী (এ)বু ২১-১৬, ২১-১৬তা থোইখি। মরিশুবা মেটচতা মখোয়না পি য়ু সী (সী)বু ২১-১১, ২১-৯দা মায়থীবা পীখি। মঙাশুবা মেটচতা এস দব্লিয়ু সীনা আই এম এস য়ু সী (বি)বু ২১-১৫, ২১-৮দা থোইরগা ৬শুবা গেম অদুনা মখোয়না পি য়ু সী (এ)বু ২১-১৪, ২১-১৫দা থোইবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা জুনিয়র গর্লসকী কাঙলূপ্তা সাই আর সীগী টিম অহুম্মক মেটচ ৩/৩ থোইবা ঙমখি। অদুগা আই এম এস য়ু সী (এ) হৈঙাংগী টিমসু মেটচ ৩ থোইবা ঙমখি। সাই আর সী (এ)না পি য়ু সী কাইরংবু ২১-৮, ২১-১৬তা অহানবা মেটচ থোইখি। অনীশুবা মেটচতা মখোয়না সাই আর সী (বি)বু য়াম্না নক্নবা স্কোর অমদা ১১-২১, ২২-২০, ২১-১৬তা থোইখি। অদুগা অহুমশুবা মেটচ অদুনা মখোয়না আই এম এস য়ু সী (বি) হৈঙাংবু ২১-৯, ২১-১৩দা থোইরমখি। সাই আর সী (বি)গী টিমনা অহানবা মেটচ অদু আই এম এস য়ু সী (এ)বু ২১-১০, ২১-৯দা থোইখি। ২শুবা মেটচতা মখোয়না আই এম এস য়ু সী (বি)বু ২১-৬, ২১-১৩দা মায়থীবা পীখি। অমরোমদা, আই এম এস য়ু সী (এ)গী টিমনা পি য়ু সী কাইরং অমসুং বি টিমবু থোইখি।

## ৱাই দি সিনা এস দব্লিউ ৱাই সিবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে



থৌবাল, নবেম্বর ১০ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালনা শীন্দুনা ক্ষেত্রি লৈকাই শান্নবুংদা চত্থরকপা লম্বাময়ুম মেমচা দেবী সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাই দি সি খোইরোম্না এস দব্লিউ ৱাই সিবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইখ্রে।

মেটচ অদুদা ৱাই দি সিগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৯ কে ঐচ বিরজিৎনা পাঞ্জল ৩মক চনবা ঙমদুনা হেটট্রিক চন্দুনা এস দব্লিউ ৱাই সিবু ৩-০দা মায়থীবা পীখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাফকী মিনট ২৫ রোমদি পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অদুবু ২৬শুবা মিনটতা বির্জিৎনা মহাক্কী হেটট্রিক্কী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

অনীশুবা পাঞ্জল অদু মহাক্না অমুক্কা হন্না মেটচকী ৩৫শুবা মিনটতা চনখিবনি। এস দব্লিউ ৱাই সিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা হন্দাকপা ঙমদনা লৈরিঙৈদা শান্নবগী ৪০শুবা মিনটতা কে ঐচ বির্জিৎনা মহাক্কী হেটট্রিক্কী পাঞ্জল অদু চন্দুনা টিম অদুনা এস দব্লিউ ৱাই সিবু ৩-০দা হেন্দুনা লৈখি।

মেটচকী মখাতারকপা মতমশিং অদুদা এস দব্লিউ ৱাই সি পাঞ্জল অমা ফাওবা চনবা ঙমদনা ০-৩দা মায়থীবা নংখি। আর কে অঙৌসনানা রেফরি ওইখি। অদুগা এম দি লটিফ অমসুং এল রঞ্জিৎনা এসিষ্টেন্ট রেফরিশিং ওইখি অদুগা এল রোজিৎনা ফোর্থ ওফিসল ওইনা লৈখি।

## মণিপুরগী মুএথাই শান্নরোয় অমসুং ওফিসলশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচএন এস): দিসেম্বর ১৫দগী ১৯ ফাওবা কর্নাটাকা মুএথাই এসোসিএসননা শীন্দুনা কাগ্লিপুরা ভিলেজদা ২২শুবা এম দি আই (আর) সিনিয়র, জুনিয়র অমসুং সব-জুনিয়র নেসনল এমেচর মুএথাই চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং অমসুং ওফিসলশিং খল্লে হায়না মণিপুর এমেচর মুএথাই এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।



এসোসিএসন অসিনা খনগৎলবা ওফিসলশিং অদুদি এম দি অলাউদ্দিন শাহ (কোচ), এম দি রাফি (টিম মেনেজর), য়ু শান্তিকুমার (লেদিজ টিম মেনেজর), এম দি ৱাহিদুর রাহমন (ওফিসল) অমসুং এম নিলাকুমার (ওফিসল)নি।

চহী ৬তগীনা ৭ ফাওবগী মখাদা অলিশা চেক, চহী ৮দগীনা ৯ ফাওবগী মনুংদা মাইবম তোন্দোনবা, কে ঐচ রুস্তম, ফাজিস খান, অশিম কোরি, এম দি অখটর, এম দি মুস্কান অমসুং হেম্থোইচান্দ মৈতৈনি।

চহী ১০দগীনা ১১ ফাওবগী মনুংদা তোঙান-তোঙানবা ৱেথ কেটগোরি ৫দা মণিপুরগী শান্নরোয় ৫না শান্নগদৌরি। চহী ১২দগীনা ১৩ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ৱেথ কেটগোরি ৫দসু মণিপুরগী নুপা শান্নরোয় ২ অমসুং নুপী শান্নরোয় ৩না শরুক য়ারি।

চহী ১৪দগীনা ১৫ ফাওবগীদা লৈবা জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লসতা লৈরিবা ৱেথ কেটগোরি ১২মক মণিপুরগী শান্নরোয় য়াওগনি। চহী ১৬তগীনা ১৭ ফাওবগীদা লৈবা ৱেথ কেটগোরি ৮দসু লোয়ননা চহী ১৮দগীনা ৪০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা কেটগোরিশিংদা মণিপুরগী গ্রুপ অনী থোক্লা শান্নরোয় ২১না শরুক য়াগদৌরি।

## মণিপুরগী ফুটবোল টিম খনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচএন এস): ইম্ফালদা থা অসিগী ২৫দগী দিসেম্বর ২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর সন্তোশ ট্রোফি ২০২১ (নোর্থ ইষ্ট ক্বালিফায়িং রাউন্দ)দা মণিপুরগী মহুৎ শিনগদৌরিবা টিম অম্ফানা লাউথোকখ্রে।

মখোয়শিং অদুদি গোলকিপরদা এ বি ৱুইরাইবৌ (নেসু), এম দি অবুজার (নেরোকা) অমসুং এ চিঙ্খৈ (এইম)নি। দিফেন্দরদা দব্লিয়ু অরুনকুমার (য়ং ফিজিক), থাংকিভেট কিপজেন (এম এ), ক্লিন্টন খোংমন (ক্লাসা), টি ঐচ চিঙ্খৈঙানবা (এস এস য়ু), এম দেনি (য়ু-২১, নিশা), এল চিঙ্খৈঙানবা (য়ু-২১, কে ৱাই ভি ও), এ হেরোজিৎ (নিশা) অমসুং নাওরোইবম রোমেন (কে আই ৱাই সী)নি। মিদফিল্ডরদা কে ঐচ জেক্কি (এইম), কে ঐচ প্রভিন (য়ু-২১, ট্রাও এফ সী), এস বিকাশ (এইম), এন মোমোচা (ক্লাসা), টি ঐচ মনিচান্দ (য়ু-২১, এইম), এন জি জেনিশ (কে আই ৱাই সী), সুধির লোইতোংবম (ক্লাসা) অমসুং জাংমিনলুন কুকি (এম এ)নি। ফোরৱার্দতা এস জোন্সন (ক্লাসা), এন জি বিদিনপার মোয়োন (এল ৱাই সী সী) অমসুং সোমিসোন সিরাক (য়ু-২১, কে আই ৱাই সী)নি।

ঙসি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তারদুনা খনগৎলবা শান্নরোয় ২২ অসিনা হয়েং অয়ুক পুং ৯.৩০দা লম্লোং থোংখোঙগী আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা মখা তানা ট্রেনিং চত্থনবা রিপোর্ট তৌগদবনি।

সংগাংশেঙ্গিবিয়ু ??????? সংগাংশেঙ্গিবিয়ু ???????

CHEKSINBIYU ??????? CHEKSINBIYU ???????

MAHINDRA ALU CHARA SARAGA YOLLIBA SINGDAGI CHEKSINBIYU

MAHINDRA TISSUE CULTURED POTATO TUBERS




Alu Bora da Makhagi Asumna Thaba Ubigani

1. Mahindra HZPC Pvt Ltd
2. Tissue Culture
3. Samridhi by Mahindra
4. Mahindra HZPC Date of Packaging yaoba Price Tag amasu silai touba thengnabigani

Mahindra HZPC Alu Chara Amana Alu Kgs 2 Average Potthok Puthoknari

6th YEAR OF SERVICE TO BRING CHANGES

Samriddhi by Mahindra
A Joint Venture with HZPC
POTATO TUBERS

MACHELVA AGRO
Mahindra Tractor
Malom Bazar, Airport Road
Imphal Manipur.

HL-P/513/29/10-13/11

## বোদি বিল্ডিংগী ট্রায়ল সেলেক্সন

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচএন এস): তেলঙ্গনাগী খমানদা মথং চহীগী জন্যুৱারী ৬তগীনা ৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৩শুবা মিষ্টর ইন্দিয়া মেন্স সিনিয়র নেসনল বোদি বিল্ডিং অমসুং ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা মণিপুরগী টিম শেম্নবা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর বোদি বিল্ডরস এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা থা অসিগী ২৮গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক্তা লৈবা এসোসিএসন অসিগী ওফিসতা কেটগোরি ৪গী সেলেক্সন পাঙথোক্কনি হায়না এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরিনা ফোঙদোরক্লি।

## ইন্দিয়াগী দোমেষ্টিক বেদমিন্টন সিজন হৌরগনি

ন্যু দেল্লী, নবেম্বর ১০ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াদা দোমেষ্টিক বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট থা ২০ হেন্না পাঙথোক্লদ্রবা মতুং মথং থাদগী অনৌবা ফোর্মেটকা লোয়ননা হৌরগনি হায়না বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

অহানবা টুর্নামেন্ট অদু দিসেম্বর ১৬তগী ২২ ফাওবা চেন্নাই সিটিদা পাঙথোক্কনি। মদুগী মতুং লেভেল থ্রী টুর্নামেন্ট ওইরিবা অনীশুবা ওইনা হায়দরবাদতা দিসেম্বর ২৪দগীনা ৩০ ফাওবা পাঙথোক্লগনি। টুর্নামেন্ট অনীমত্তা শেলগী মনা ওইনা লুপা লাখ ১০/১০ পীগদৌরি। বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা কোভিদ-১৯গী মাঙজৌননা কুমজা ২০১৯দা দোমেষ্টিক টুর্নামেন্টশিং অসি অনৌবা ফোর্মেটতা পাঙথোক্নবা শেম শাখিবনি। অদুবু পাঙথোকপা ঙমদনা লৈখি।


এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি অজয় কে সিংঘানিয়ানা ফোঙদোরকখিবদা, টুর্নামেন্টশিং অসি কোভিদ-১৯গী মরী লৈনবা প্রোটোকোলশিং অদু মপূং ফানা পাঙথোক্কদৌরিবনি। শান্নরোয় পুম্নমক্না মখোয়-মখোয়গী ওইবা আরটি-পিসীআর নেগেটিভ ওইবগী রিপোর্টশিং অদু য়াওরগা শরুক য়াগদবনি হায়রি।

ইন্দিয়াদা মালেমগী থাক্তা শান্নবা ঙম্বা শান্নরোয় কয়া লৈরি। লোয়ননা লৈবাক অসিদা পাঙথোক্কদবা দোমেষ্টিক টুর্নামেন্টশিংদা শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াবা ফংগদৌরিবা অসি বেদমিন্টন মশান্না অসিগী ওইনা অফবা পাউ অমনি।

সিনিয়র রেঙ্কিং টুর্নামেন্টশিং অসি লেভেল ৩ থোক্লা খায়দোক্লি। অহানবদা বি এ আই সেরিজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট (চহী ১দা ৬ লৈগনি), লেভেল ২দা বি এ আই সুপর সেরিজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট (চহী ১দা ৪ লৈগনি), অদুগা লেভেল ১দা বি এ আই প্রেমিয়র সুপর সেরিজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট (চহী ১দা ২ লৈগনি)নি।

শেলগী মনা ওইনা লেভেল ৩দা লুপা লাখ ১০/১০, লেভেল ২দনা লুপা লাখ ১৫/১৫, অদুগা লেভেল ১দনা লুপা লাখ ২৫/২৫ ওইগদৌরি। হায়রিবা ইভেন্টশিং অসি লোইরগা নেসনল চেম্পিয়নশিপ পাঙথোকপদা লুপা লাখ ৫০গী শেলগী মনা থমগদৌরি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 285

Mueller, Rudolf (2295) - Bayer, Wolfgang
Baden-ch JS Karlsruhe, 2003.04.19

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 g6 | 3.d4 cxd4 | 4.Nxd4 Bg7 |
| 5.Nc3 Nc6 | 6.Nxc6 bxc6 | 7.Bd3 e6 | 8.O-O Ne7 |
| 9.f4 d5 | 10.e5 Ba6 | 11.Bxa6 Qb6+ | 12.Be3 Qxe3+ |
| 13.Kh1 Qb6 | 14.Qd3 O-O | 15.Na4 Qa5 | 16.b3 Rfb8 |
| 17.f5 gxf5 | 18.g4 Rb6 | 19.gxf5 exf5 | 20.Nxb6 axb6 |
| 21.Bb7 Ra7 | 22.Rf4 Rxb7 | 23.Ra4 Qc5 | 24.Ra8+ Bf8 |
| 25.Rg1+ Ng6 | 26.Qxf5 Qd4 | 27.Ra4 Qe3 | 28.h4 Bc5 |
| 29.Rg2... | | | |

**QUESTION :**
White to Win

**Puzzle 284 Ans. :**

31. gxh6 Bd3+ The black bishop clears the way for Black's rook to the square a1. 32. Kc1 Ra1+ Opening the line from b8 to b1. 33. Bxa1 Qb1+ 34. Nxb1 Rxb1# Opera mate

31. ...Bd3+ 32. Kc1 Ra1+ 33. Bxa1 Qb1+ 34. Nxb1 Rxb1#

0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com